## সেন্টরনা এম এল এশিংদা চল্লান ককইরা

### লৈদি লৈ-নাতোনচাবী ওইরকপৈ ৱারা

কৈনো’মতু হৌদোরকপদা, হায়দি ৱাফম অমা পুথোরকপদা হৌজিক ‘কদাইদা তায়, লাদা হেক্তা তায়’ হায়বগী ফীভমদা লৈরক্লিবসি ইকায়খুম্নজরবা মীহুৎশিংসিনি হায়বদা মখোয়দা থৌওইনা ওনশিন্দুনা হায়বা, ঙাঙবা তাগদ্রা? অদুগা মখোয়নসু কেক লাওবদা, শোং লাওবদা মখোয়বু মীয়ামগী মিৎমাঙদা হেক্তা শোরো-শোরো লাক্তুনা চিংথোরকই হায়দুনা ওনশিন্দুনা হায়রৌরক্লদ্রা? ৱাহংসিগী পাউখুম্না মখোয়গী ওইবা ৱানি। লৌনীংবা মওংদা লৌগেসু লৌরসনু, পুনিংবা মায়কৈদা পুনিংলসু পুরসনু। অদুবু হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমশিংসিদদি ষ্টেটসিগী মীয়াম্না মখোয়দা হায়দনা কনাদা হায়দৌরিগে? নত্তে, ৱাথোকশিংসিগী মরী লৈনবা ৱাকৎশিংসিবু মখোয় কাপ্তেক্লগা কনাদা হায়রুচো হায়বনো? মখোয়না মীয়ামগী মীহুৎ ওইবগী হায়বনি। ওইরমদ্রগবু কেদৌবৈ মশা শগন লাক্তুনা চিংথোকপগী ফীভমদা তৌরদোইনো নৎত্রগা মখোয়বু য়াচল লাক্তুনা মখোয়গী খুর্জি পায়রিবা লাপন্থ্রবা দেল্লীদা চৎতুনা মফমদুদা লৈবা লৈবাকসিগী অঙত্বশিংগী মখোঙদা মীয়াম্না তুরুগদ্রা? মীয়ামগীদি মখোয় লৈরি। মখোয়না মীয়ামগী মপী-মপানি। মখোয়দা তাইনরগা মখোয়নসু অথাম্প্রগী অঙত্বশিংদুদা অমুক তায়নরগদবনি। মখোয়দা লানফমগী ঈ চোংদুনা হেদো-নাহে চন্দুনা লাইমন কানা হিংলক্লিবা মীয়ামগী অনাবা নোংমত্তসু লাক্তুনা হংলদবশিংদুবু লানসিনা ফমশিং চৎহল্লক্লিবা মীয়াম্না শিৎ-শিৎতুনা দেল্লী তায়া চৎলুখিগদ্রো? ৱাফমসি চুম্মী ৱাগী ৱা নত্তে, অশেঙবনি। মীহুৎশিংনা পিশুম শুক্তুনা নীংদোল পোমগদবা নত্তে। ৱাফমসি হায় হায়দুনা ইকায়খুম্নজরবশিংসি মীতোকচাক অমসুং অয়ঙ্গা ঙাক্তা ঙাইরে হায়বসু নত্তে। মখোয়গী মরক্তসু মখৌনা ফবা, মরিংজেল খাবা, অশেঙবা মীহুৎতা মীহুৎ ওইজবসু য়াওবা মাল্লি। মনা-মনিল নাইরকপা য়াওই। অদুবু মকুই নুংওন চীংজিন্দা খোঙদাখিদুনা অশি-লমদম পাংশ্রবা মীওইনা ‘হনফব্দবা থৌরীনা পুল্লে’ হায়বদৌনা ‘লক্ষমন রেখা’ গী চগোদগী নাঙ্গোকচবা ঙমজদবা, অমত্তা ওইমিয়বসু ঙমজদবদগী মখোঙ-মখূৎ ক্লিং-ক্লিং কাওদুনা লৈবসু য়াওমল্লে। মীয়াম্না অপাঙ্গা পুঙলোন্দা হৌজিক ফাওবা জগোয়গী খূৎথেক তক্লিই।

ওইনীংবা ওইরসনু, লোইনা পোগথোক্লবদা হঞ্জিন-হঞ্জিন হঞ্জিল্লে, নাকোং শীংজা য়োরে হায়রকপসু য়াওরক্লগনি। অদুবু ফীভমসি ওইরক্লনেনা খ্বাং কৌইবদগী হেন্দোরক্তুনা খোঙদাফম লৈশিল্লক্তবা মখৈ পুময়োম য়োম্নবা ৱাথোকশিংসিগী মতাংদদি ইকায়খুম্নজরবশিংসিনা পরিন্দা শেনবা তোংবদৌনা তোংলগা চগোঁ য়েংদুনা লৈথোকপদি চুস্ত্রা? পীকম্নবা মণিপুরসিগী য়ামন্নবা ৱাথোকশিংসি অমুক্তসু লোইনা কোংথোরকউ হায়দ্রা? মশাগী মরমদমগী লম্বীদা মনীং তমুা চৎপা ফলক্তবা কুমজা ২ হেঞ্জিল্লক্রবনি। মশাগী হৌদোকমিয়রকপা মোংবা মরানায়ইদা হঞ্জিলহল্লগনি হায়রকপদগী ভুরেলদা চোংথদুনা ইরোইরগা ময়ুমশিংগী ফীভম য়েনরক্লবনি। অদুগাবু ‘মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা গ্রাউন্ড সিচুএশনসিদদি সেন্টরনা অথুবা মতমদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহল্লক্লগনি’ হায়দুনা খুকউ নিক্তুনা লৈথোকফম থোকপ্রা? খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈদা ষণনা ৱাইদুনা মমিৎ-মনাগা চোংথোরকপগা লোয়ননা মথিবোং-মরীলগা মপান্দা লোইনা থোরক্তুনা শলাক শারনি হায়বনিদা!! ৱাফমসিবুদি য়াম্না চুম্মীনে। গ্রাউন্দ সিচুএশনসি লাকশিন্দুনা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা মহৌশাগী ফীভমদু হঞ্জিলহল্লন্নবা শিন-লাংদুনা শেম-শাগদবা অরাংফম ফন্বা লুচিংবা অমসুং মহাক্কী পাম্বোম ওই-য়েৎ ওইগদবশিংগী লৈঙাক অমগী মথৌদি মহুৎ শিনগদবা লৈতনা মথৌ তারিবনি। অদুবু মে ৩, ২০২৩দা লান হৌরকখিবদগীনা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা ‘আত্মাঘাট’ তৌজখ্রিবা পুংফমদু ফাওবগী মনুংদা মখোয়নসু কৈদৌখিগে? তৌখিবা য়াওরদি খুন্নকউ, ৱাহংসি হংলকপশিং মমায় ঈচপমুক ঙাংনা ইকায়রগা মরূ লুক্না লৈখিবা ওইরসনু। লানসিগী মতাংদা মখোয়না চিন্দা খক্তা নত্তুনা মখূৎ য়াওদুনা তৌগদবা থবকশিং তৌরম্লগবু সম্বিট পাত্রদা হোম মিনিষ্টরনা শিন্নরকপা থৌরী কোঙ্গৌইদুনা হুক্লগা রাজ ভবনদা মখূৎ শমদুনা পুশিল্লগা হুকচহন্দুনা এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশন য়ৌরক্নবা চোংথহল্লমগদ্রো? মখোয় লৈবগী করিমত্তা কান্নদ্রেনা ৱাই শিৎ-নান্না শিৎতোল্লগা প্রসিদেন্টস রুলগী লফু মকা অকংবগী নুরানা ৱাই তৈশিনখিবা নৎত্রো? অদুগদি মথং থা (ওগষ্ট) কী অহানবা চয়োলদদি শোয়দনা লৈঙাক শেম্লনি কায়না পেৎ-পেৎ তৌরকপগসু য়াওরক্লিনে!! মখোয়সিবু কম্মাই তৌসিগে? মখোয়না হৌজিক তৌরিবসি চহী শুদ্রিবা অঙাংনা গাড়ী থৌবা, গাড়ী মচা ওইরগনা হেলমেট উপ্তুবা, গাড়ী অচৌবা ওইরগনা শীট বেল্ট ফাদবা, ড্রাইভিং লাইসেন্স য়াওদনা থৌবা, গাড়ীগী চে-চাংনচিংবা য়াওদবদগী পুলিসনা থৎতুনা খাল্লগা দিটেন তৌরগা থম্বা য়াওনা ‘মোটোর ভেহিকল/ ট্রাফিক রুলশিং ঙাক্তবগী ঈ-চল্লান ওইগেরা, মেনুএল ওইগেরা সেন্টরনা চল্লান ককহল্লগা ফাইন থিহনবগুম্বগী থৌদৌশিং চত্থরকপনি হায়বসু খঙজদবা মাল্লি। হৌজিক সেন্টরগী লুচিংবশিংনা তৌরক্লিবসে অতৈ করিমত্তা নত্তে। চৎকদবা লম্বীদা চুম্না চৎতবা, চৎলোইদবা লম্বীদা লমজেল চেনশিনবা, গাড়ীদা ওইরগনা অপীবা ‘স্পীদ লিমিট’ তগী হেন্দোক্ন য়াঙনা থৌজিনবা য়াওনা ‘ৱান-ৱে’ নচিংবা থুগায়বা, ‘নো হোর্ন জোন’ দা গ্যাস হোর্ন খোংজিনবা, ওথোরাইজদ পার্কিং নত্তবদা খামজিনবনচিংবা তৌবশিংগী মথক্তা উকাই তকথবগুম্বনি। প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকহন্নবা মফি শেম্লক্লিবসিবু মখোয়দা অনৌবা লৈঙাক অমা প্রপ-প্রপ শেমহল্লক্লিংবগী য়ূম্ফম থোনবীরকপনি হায়না লৌগদ্রা হায়বনি। খঙদে, হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসিগীদমক তৌগদবা হায়বদি ‘নীদ ওফ দি অৱার’ সু খঙদে। শারিঙৈদা য়েহৌগদবসু খঙজদে। লৈঙাক শেম্লনি/ শেমহনবীরক্লনি হায়দুনা পোলাংখোক্তা ফৌবা অঙাং নীংথাদি লৌশিন্দনা নুমিদাংগী এপ্পাং মল্লি হায়বদুগুম্না তৌদুনা লৈ। ‘কৎত্রিঙৈদা হান্না লৌই পামজবীনি থম্বাল, হনুমান থাদুনা হেকহল্লুইদো থম্বাল’ হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অমা তাখিবদুবু ঝুলোনদরা, কাংদরা, হরিউথানদরা নীংশিংবা থোক্রে। অদুগা পামজনা খঞ্জখিবদুনা হৌজিক্না লৈদি লৈ ওইবা, হেক্লগসু চিন্নদবা, লাইদসু কৎনদবা নাতোনচাবী অতরগুলাপ ওইরকপা য়াওরকপসিদি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। থবাক খূত্তুম শুরগা, খূৎশা ১০ প্রোক-প্রোক থেক্তুনা মথংগী মীখল ঙাইবা নত্তনা অতোপ্পা’মা লৈত্রবনি।

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬০৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

হাওপা পোলতাং খোই। চামাই ঙাংফানা খোই। মরাম খুলতম খোই। খৎ চরাং ফানা খোই। ককৱা তানপন খোই। থোংলেল তাইবী লাংথা খোইবু। খামবী মৈথা মৈকা মৈখু নোংদোল কানা। খোইচু তোললোং মৈথা মৈয়ীকনা ৱাচুমনরমমে। অদু নুমিৎতগী খোইচু পান ও মিংকৌবদা। পোইরৈতা লৈবা থিজিনবশিংনা। খোইচুমাল ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। হাওরমতোল য়াংপাকাইবা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯰꯶)

[illegible]

# ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদা মীতৈ নুপীগী চন্নফম!



হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৬৪

**জিতেন নামৈরাকপম**

ফুটবোল! ফুটবোল...! মতমদুদা ঐখোয় ফুটবোল হায়বসি করিনো খঙলমদে। মতুম তাবা, কোরোক কোয়না লূম-লূম লাউনা পায়বদা, কাওবদা য়াম্না নুংঙাইবা পোৎশক অমা খোঙনা অসুম কাওদুনা শান্নে। অহানবদা ‘নোবাব’ মমুল ফারগনি খোক্তোক্লগা চাবদা শিনবা-থুন্বা হৈ মখল অমনি। ইহে নোবাব হায়রগা মতমদুদা ঐখোয়না লৌ উবা, হুনবা, লীংবা, লৌ পেংবা, ... অদুগা লৌ খাওবা, য়ৈবা চৎপা মতমদা ‘হৈথা পোথা’। অমুক্তসু নীংশিংলক্লে। লৌ খোয়বা, উকায় তকপা... মসিবু নুংঙাইবা থবক্লনে? অৱাবা মখলগী থবক অমনি। তৌবতবু ৱানা ৱানা নুংঙাইবা লৌ উবা থবক্লি। নুংশাগী মঙালনা য়ৈবদা, লীরি-লীরি নামীবগী ঈপোমদা ফৌনানা লেং লেং চৎলকপা সনা মচুগী ফৌ চরোং-চরোংদু উবদা অৱাবা পূন্বা কাউথোকখি। কবোক, লদু ওন্থোক্লা থুমখ্রবা হাউখ্রবা, তৌবতবু হৌজিক্কী অঙাংশিংনদি শুকচা হেক চানীংলরোই।



ফুটবোল অমসুং নোবাব! ফুটবোল হায়রগা নোবাব পনবগী মরমদি পোৎশক অনী অসি অদুক্কী মতিক মরী লৈনখি। ঐখোয়না ফুটবোল কাওদ্রিঙৈদা নোবাব হান্না কাওরকখি। মতমদুদা ফুটবোলকা হায়য়ে। ঐখোয়গী মতমদুদা ফুটবোল মশক শুকউ উরকখিদে। কোন্না ফুটবোল উরকখি। ফুটবোলসু কৌদে, বোল-বোল হায়রগা খঙনৈ। কোন্না অমুক খোঙনা , খোঙপাক্লা, খোঙচেপ্লা কাওবা শউননা শাবা, মনুংদা রবর মতুম য়াওবা নুংশিৎ হানবা, ঐখোয় মশেল মুন্নরগা লম্পাক শিনবা থুংনা কোয়চেন চেল্লগা তান্ন-তান্নদুনা কাওদুনা শান্নবা মতুম তাবা শান্নপোৎ অদুবু বোল কৌই, ফুটবোল। বোল কাওদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, হাপেন্ট খোঙ্গ্রাও শেৎলিঙৈ, কোচি কুদাম তৎপা, ওইদগী য়েৎতা হাইরপ চীংলগা খুবীনা কীৎ নমশিনবা, লমজেল য়াঙনা চেল্লগদি হেক্তা তাহৌগে তৌবা খোঙ্গ্রাও মচা, মদুসু কুরু তাবা শেৎলগা বোল শান্নরকই।

ঙাইখোনেহে! বোল কাওদ্রিঙৈদা ঐখোয় ময়াম মীগী শম্বল লিৎশিন লিৎশিন্দুনা নোবাব হুরানবা অমুক নীংশিংলক্লে। নোবাব হুরাল্লগা চানবা নত্তে কাওনবনি খোঙনা। ঐখোয়গী ইঙ্খোলদসু নোবাব হৌরম্মী, পাল্লম্মী। কোমলা’মুক চাউরকপদা অদুম হেক্লগা কাওবা হৌখি। নোবাব পাম্বী’দুমা তুমখ্রবা তুংদা মীগী ইঙ্খোলদগী ঐখোয় ময়াম হৌনরগা হুরাল্লগা কাওবনি। নোবাব শংত্রিক শংবা মুনফাৎত্রিবা খোঙনা কাওবসিসু খোঙবী য়াম্না নায়। খুজিলগসি মুশুক মুরগা হঞ্জিন-হঞ্জিন পুন্বনি। মীগী ইঙ্খোলদগী নোবাব হঞ্জিন-হঞ্জিন হুরানবসু য়াবা নত্তে। নোবাব ৭/৮/১০ মুক হুরাল্লগা খোঙনা কাওবদা নাদনবা হায়দুনা ৱাল, ফক্লাংগুম্বা অমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন থোম্লগা পেৎথহল্লিবনি। পেৎথমন্দনা নোবাব কাওবদা শেগায়মনবদগী মফোল থোক্লবা মতুংদদি নোবাব পেৎহন্দ্রে। খোঙবী শেগায়বনবু হেন্না ফরে খনখি।

মদুদগী শউনগী বোলগী যুগ অমুক লাক্লে। কুমজা ১৯৭০-৭৩/৭৪/৭৫ অদুৱাইগা ওইরমগদবা মাল্লি। টি-শেপকী বোল, মরী লোনবী। বোল অসি ৱাংনা কাওখৎখ্রগা হেদ্দিং তৌবা মতমদা কোক্না থিনবোই, খেৎপোই তৌবদা মীৎ তন্দন পাই, তরং চৎলি। অদুগা অমুক মকু য়াওদ্রবা শীৎ নানবা বোল অদুনা পূখ্রিদা, খোংবান্দা তাখ্রগা লৌখৎলগা কাওবদদি ঈশং কায়, শূৎ-শূৎ নাল্লি। খোঙনা কাওবদা এইম অমত্তা চুমদে। ‘এইমজায়নৈ’। ওজা দিনমনিনগা ৱাহে অসি হায়রম্লগদি পকচরদৌনি। বোল, ফুটবোলগী মতাং ইবা হৌরকপদা হায়নীংবা কয়া হায়দ্রিঙৈগী, ইদ্রিঙৈ ঐগী আর্টিকল অসি অসুম অসুম শাংদোকখ্রে, তেনশিঞ্জরি।

অদুগুম্লবা ঐখোয়গী নোবাব পাম্বী ইঙ্খোলদগী হেক্লগা কাওবদা তুমখ্রবা মতুং মীগী ইঙ্খোলদগী নোবাব হুরাল্লগা খোঙনা কাওরগা লম্পাক্তা কোয়চেন চেল্লগা শান্নরকখিবা ঐ ঈশ্বরনা চানবীবা মাল্লি। নেশনল প্লেয়র অমা ওইখি। নঙ্গলগী জর্সিদা ‘মণিপুর’ থারগা কোয়চেন চেন্দুনা ওপোনেন্টকী গোলকিপ্পরনা চেকশিন্না ঙাক্লিবা গোল পোষ্টকী নেটফাও বোল কাওশিন্দুনা থদৎখি। মদুসু বিহারদা, গোৱাদা! মতমদি কুইখ্রে চহী ৪০গী মমাঙ ওইরমগনি। মতমদুগী ফুটবোল কোচ খুরাইদগী ওজা কে কামিনিকুমার (ওজাদি লৈখিদ্রে) অদুগা মণিপুরদা সন্তোস ট্রোফি (খুমন লম্পাক্তা গোৱাগা ফাইনেল শান্নবদা মণিপুরনা ৱিন্নর ওইখিবদগী) লৌখিবা, ওজা সী ঐচ শান্তিকুমার য়াইস্কুল ওজা অনীবু থম্মোয়শেংনা লাপ্পা খুরুমজরি।

খুমন লম্পাক্লা নারক মোংশোং ওইরিঙৈ, পাথী কোমথী, পূখ্রি-খোংবাল ওইরিঙৈ সব-জুনিয়র নেশনল টিম শেম্নবা কৌবদা লাকখিবা প্লেয়র চনী হেল্লমগনি। মদুদা হৱাই শেন্দল হায়নবদো মদু তোংলগা বোল শান্নগে লাকপা প্লেয়র অমদা লৈখিদ্রবা কোচ ওজা কামিনিকুমারনা হায়খি, “হে করিনো নঙ ‘মণিপুর’ ফংবদা য়ারোই, পকচরোই। শেন্দল তোংবা অমত্তা বোল শান্নবা লাক্কনু! নঙগী খোঙবীদুদা তুম, তীঙ্খাং অমনা থিল্লগদি মণিপুর লোইরে হা! ফি খোঙউপ, টেন্নিস অঙৌবা অমফাও তোংবা ঙমদবা অমদা মণিপুর শিন্নরোই।” কোন্না খঙলকখি ইংলেন্দনা ইহান হান্না হৌদোকখিবা শউনগী ফুটবোল (হৌজিকপুদি রবর ওনখ্রে) সোক্কর অদুগা টোটেল ফুটবোল, অদুগা এসোসিএশন ফুটবোল।

ফুটবোলদা য়াম্না ইনিংলক্লিবগী মরমদি হন্দক অসিদা ২০২৬ এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ্তা মীতৈ নুপী ১০না ইন্দিয়াগী মহুৎ শিল্লগা শান্নখিবা ফাইনেল মেচটতা থোইদুনা ২০২৭ ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ (ব্রাজিলদা শান্নগদবা) ক্বালিফায়িং রাউন্দদা চঙখ্রে। অহানবা ষ্টেজদা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নগদৌরি। ময়াম পূম্নমক লাই খুরুম্বীয়ু।

নুপীগী ফুটবোল পল্লকপা মতমদা ৱিমেন পেলে হায়না মিংথোনখিবা ইচে রোমোনি, ইচে কুঞ্জেশ্বরি, ইচে শুমিলা, ইচে/য়াম্বুং আর কে অমুস্না, লেম্বী, চিত্রা, তোম্বীস্না, গোলকিপ্পর শুশিনি, গম্ভীনি, অথোই, ফটিমা বেগম, ধন, রোমা (কোংবদগী), সোবিতা, সুমিতা ... লোইনা নীংশিংলক্লে। ফষ্ট এম আরগী গ্রাউন্দদা সিনিয়র ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ (রাজামটা জিজাবাই ট্রোফি) মণিপুরগা বেঙ্গলগা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ য়েংজহৌই। হৌজিক্তি মণিপুরনা ২৩ রক ট্রোফি লৌখ্রে। হৌজিক্কী অঙাং নুপীমচাশিং হৌজিকপুদি ঐ মঙায়রে হৈবা, ফাওবা নুপী ফুটবোল্লরশিংনা মথক্তা পঞ্জখিবা নুপী ফুটবোলগী পাইওনিয়র ওইখিবা ওজাশিং অদু অমুক্তং খুরুমহন্নীংই। অদুগা খোঙনা কাওগদবা বোল অদু কাওদ্রিঙৈদা লাইবক অহুম্লক কৎলু। (সোর্স- নুপী ফুটবোল্লর ইচে শ্যামাশখি)। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১১৩

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ঙাঙননীংবা, খঙদনা মীৱা ঙাঙননীংবা কয়া অমসু খুন্নাইসি (মালেমগী ওইনা) দা লৈতবা নত্তে। মান্নৈগা মান্নদেগা। নুংদা লৈরিবা/চেল্লিবা ৱাহন্থোক মান্নবা মান্নদবা অদুখক্তনা লেপকদবনি। নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন মান্নরবদি মান্নরে, নৎত্রবদি মান্নদে হায়না লৌবদা লাল্লোই। খুদমশিং -১) অহানবদা, ৱাহন্থোক মান্নবা মীতৈ/মৈতৈগী মতাংদা অসুম্না থমজগে। কনাগুম্বশিং খরগী য়ূম্নাক, মিংগী মমৈদা/মনীংদা সিংহগী মহুৎ মীতৈ/মৈতৈ তপ্নরিবসিনা তাকইবসি - মীতৈ/মৈতৈ তপ্পীবা মহাক্তো ঈনাৎ লাইনীং লীচৎ চৎপা মীনি হায়বনি। মীতৈ নৎত্রগা মৈতৈ হায়বসি ইবদা মান্নদবনা খরনা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন চৎলগা অতোপ্পা খরনা মীরম লাইনীং চৎলি হায়না খল্লবদি মদু পূম্লান লাল্লবনি। মীতৈ/ মৈতৈগী মরমদা অইবগী মমাঙদা ইখিবা তাঙ্কক নাইনা ইবা ৱারেং অমদসু ইজখ্রে। অদুবু তাঙ্কক নাইবা ৱারেংসিদসু খরা হেন্না পাক চাউনা ইজরকখিনি। মীতৈ-মৈতৈ মশা অমত্তনি, তোঙানবা নত্তে হায়না য়াম্না শম্না থমজগে।

২) অনীশুবদা, ৱাহন্থোক মান্নবা য়েক্কী মমৈদা ‘চা’ তাবা খুদম ওইনা মঙাংচা/লুৱাংচা/ খুমনচা...নচিংবনা য়ূম্নাক্কী মমাঙদা তপ্পগা, য়ূম্নাক অমদি মিংগী মমৈদা মঙাং/মঙাংচা, লুৱাং/লুৱাংচা, খুমন/খুমনচা... অসিনচিংবা তপ্পা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন চৎপশিং মক্তনি, খেন্নবা অমত্তা লৈতে।

৩) অহুমশুবদা, নুপীগীদনা- য়ূম্নাক, মিংগী মমৈদা চনু তাবসিনা তাকইবদি ঈনাৎ লাইনীং লীচৎ চৎপা ইমুংগী মচানুপী, অঙাংদগীনা লৈশাবী হায়বদি ময়ূম পান্দ্রিঙৈগী মতমগীদা ওইবী নুপীবু খঙনৈ।

নুপীমচা ওইরম্বদগী চাউখৎলক্লগা লৈশাবী ফারক্লবা, ময়ূম পাল্লবা মতমদা - হান্নগী মপামগী য়ূম্নাক (শাগৈ নত্তবা) তাকপদা ‘নিঙোল’ হায়বসি শীজিন্নে। মরু ওইনা ময়ূম পাল্লবা মতমদনা হান্না মপামগী ওইরম্বা য়ূম্নাকসু তাকপা মতমদা, অহেনবা ৱাহায় ‘ওংবী হায়বসিদগী হেন্না চুম্বদি ওনবী হায়বসিনি। অদুননি, ‘নুপী ওইবীশিংগীদি অশেঙবা য়ূম্নাক শাগৈ লৈতে’ হায়নরিবসি। লাইনীং লাইশোন মান্নবা মশেল ওইরবদি লৈশাবী ওইরিঙৈদা ‘চনু’ হায়রম্বসি ময়ূম পাল্লবা মতুংদদি ‘লৈমা’ হায়না মিঙ্গৌনরগনি। খুদম খরা মথং মথং পীজরক্কে।

(ক) মৈদিংঙু/মৈতিংঙু খাগেম্বগী অনীশুবী ইবেম্মা, তাইবঙখাইবা পোকপী অঙোম চনু নোংথিল চাইবী; মৈদিংঙু চরাইরোংবগী অনীশুবী ইবেম্মগী মিং - সাপম চনু নুংথিল চাইবী মকক লোইখোম্বী, অহুমশুবী ইবেম্মগী মিং - হিজম চনু শেলগোইরেম্বী, মরিশুবী ইবেম্মগী মিং- থাংজম চনু থবাঙম্বী; মৈদিংঙু পামহৈবগী অহানবা ইবেম্মগী মিং - অরাম্বম চনু তবুং লম্থাবী; অহুমশুবী ইবেম্মগী মিং- ৱায়েনবম চনু থম্বাল, তরেৎশুবী ইবেম্মগী মিং - মাইবম চনু হিদাক শুংবী, নিপানশুবী ইবেম্মগী মিং - লাইরিকয়েংবম চনু হরিপ্রিয়া, তরাশুবী ইবেম্মগী মিং - মোইরাংথেম চনু থবা অসিনচিংবা।

(খ) লৈশাবী ওইরিঙৈ ফাওবা ‘চনু’হায়রম্বসি ময়ূম পাল্লবা মতুংদদি ‘লৈমা’ হায়না ওল্লকপসি হৌজিক্কী মতমদা অসুম্না মপূং ফাবা মওংদা ইনৈ/হায়নৈ। খুদম, শোরাইশম শাগৈগী য়েক সলাইদা লৈশাবী ওইরম্বী অমনা সোরাম শাগৈগী য়েক সলাইদা ওনলবা মতুংদদি ‘সোরাম ওনবী শোরাইশম নিঙোল জিলা লৈমা’ হায়না ইনৈ। মথক্তসু হায়খ্রে মদুদি ‘ওংবী’ হায়বসিদগী হেন্না চুম্বা লোলদি ‘ওনবী’ হায়বসিনি। মরমদি হান্না ‘চনু/লৈশাবী’ ওইরম্বীদুগী য়ূম্নাক, য়েক সলাইদু থাদোক্লম্লগা মানা ময়ূম পাল্লুবা নুপাগী য়ূম্নাক, য়েক সলাইদা ‘ওল্লবা মতুংদা লৈশা’ হায়বসি ওল্লবনি/ওইরবনি। অদুবু হান্না মশাগী হৌরকফম মপামগী য়ূম্নাক্তুগী চাদা নাউদা ওইরকপীনি হায়বসি তাক্লবগীদমক য়াম্না মপূং ফাবা মওংদা - ‘সোরাম ওল্লবী শোরাইশম নিঙোল জিলা লৈমা’ হায়বনি। য়ূম্নাক,শাগৈ অমগী ‘চনু/লৈশাবী’ ওইদুনা হৌরকখিবীনি/লৈরকখিবনি হায়বসি ফোঙদোকপা/খঙহনবা ওইনা ‘নিঙোল’ হায়বা ৱাহায়সি শীজিন্নবনি। অদুগা ‘ওল্লবী’ হায়বসিনা হেন্না চুম্লবসু হায়বদা খজিক্তং নুংঙাইতবা ওইবদগী ‘ওল্লবীগী মহুৎতা ওংবী’ হায়নবনি। ‘ওংবী’ হায়বসিনা খুন্নাইদা খুদম ওইনা ‘নচানুপীদু/নশুনুপীদু করি লমদা ওংখ্রে’? হংনবদা থৌবালদা/মোইরাংদা/ককচীংদা/ শগোলবন্দদা/উরিপোক্তা/থাংমৈবন্দদা/খুরাইদা/ৱাঙ্খৈদা ওংখ্রে হায়না পাউখুম্মে। লমশিংসিগীদা লৈবা করম্বা য়ূম্নাক, শাগৈ ‘ওনখ্রে’ মখা তানা হংবদা - সোরাম, সেরাম, শোরাইশম, অকোইজম, ৱাঙ্খেমময়ূম, হিজম, ওইনাম, থিয়ামনচিংবা ওনখ্রে’ হায়বসিনা ময়েক শেঙনা তাকইবদি ‘নুপী ময়ূমগী য়ূম্নাক্তু নু-হোংবা/লু-হোংবা মতুংদা নুপা ময়ূমগী য়ূম্নাক্তা তিনদুনা নুপাময়ূমগী চৎন-লোনচৎতা ওনখ্রে’ হায়বদুগীদমক নুপী ময়ূমদগী নুপা ময়ূমগী অপোকপগীদমক হৈরাং, কবোক, ক্বানচিংবা তম্লগা কৎলকপা পোৎলমশিং য়ূম্নাক শাগৈশিং কোল্লুপ ওইনা তাবশিংগী য়ূমথোঙ মশীং থিরগা য়েনবা কোন্ননবা মচেৎ মচেৎ ওইনা খায়রগা য়েনদুনা-নুপাময়ূমদা তিন্দুনা ওনবদু য়ারে/শকখঙলে হায়না লৌনরিবনি।

অসুক থাক ৱাংনা ফজখ্রবা চৎনবীসি মালেমগী অতৈ ফূরুপশিংগী খুন্নাইশিংদা লৈরমগনি থাজদে। অদুম ওইনমক ইফূরুপচা অমত্তা ওইরগা মীরমগী লাইনীং লাইশোন চৎলিবশিং - ইরমদমসিগী মনুং অমসুং মপান লমদা লৈরিবশিংসু মাগী মাগী অপোকপশিংগী তম্লকপা পোৎলমশিং মখোয় মখোয়গী নক্লবা য়ূম্নাকচাশিংগী মরক্তা য়েন্নদুনা নৌনা য়ূম্নাক, শাগৈ ওল্লকখিবদু শকখঙবিবগী তৌরিবা চপ মান্নবা থৌওংসিদি থাগৎতবা য়ারোই, থাগৎলি।

মীরমগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়খ্রবা ‘কুমারী, সিংহ অদি দেবী’ না ইরমদমসিগী খুন্নাইদা লাইনীং লাইশোন খেন্নবা তাকপা ঙমদবা :-

মীরমগীদদি ৱাহন্থোক লৈজবদু ঐখোয়গী ইরমদমসিদা ৱাহন্থোক করম্না লৈতবা ওইরিবনো হায়বগী মরমদা হান্না মথক্তা ইখ্রবনিনা অমুক পল্লরোই। মসিগী মথক্তা হায়রিবা ‘কুমারি, সিংহ অমদি দেবী’ হায়বা ৱাহায়শিংসিনা ইরমদমসিগী হৌজিক লাইনীং লাইশোনগী অকা-অকুমগী মায়োক্নরিবা তানফমসিদা থম্লিংলিবা ৱাফম অমদি মীরমগী ৱাহায়শিংসি ময়া তারবা থাঙগা পাঙ্খক ওইরক্লি। খুদম, মতম অমদি - হায়নীংদ্রবসু হায়নীংদা, মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন্না মকা ফল্লিঙৈ - পাক শন্না অঙাং, নুপীমচা ওইরিঙৈদগীনা লৈশাবী ফারক্লবা মতাং মতমবু ‘কুমারি হায়রম্বদগী যৌবতি’ হায়রগা য়াম্না শীজিন্নরম্মী। ‘চহী খরগী মমাঙ ফাওবদা ইমুং অমগীদা অঙাং নুপামচা/নুপীমচা অমা নৎত্রগা খরা নাহুৎ-নারেং তৌনবা অঙাং মরূ কোক্লগা ঈশিং হৈনবা অঙাং নুপীমচা অহুম নেকপদা - তঙাইফদনা বামোনগী অঙাং নুপীমচা অমা য়াওদবা য়াদে, ঈশিং হৈবদসু মানা হান্না হৈদবা য়াদে হায়বা মতম অমগী খুন্নাইগী ৱাহন্থোক লৈতবা চৎনবী অমা লৈরম্মী। “অঙাং নুপীমচা অহুম্মক চপ মান্নবা মিংথোল ‘কুমারি’ হায়রবসু হিন্দুগী মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংদা ‘বামোন মখোয়গী লেংদবা চাকথুং, হৌজিক্তনা মীরোলদা ‘ক্বাটা/ Quata’ গী মওংদা তৌনরম্বসি তপ্না তপ্না মাঙলক্লি। ●

### ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী লমায়সিদা ফোঙখিবা *‘ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা* হায়বসিগী ১১১শুবা আর্টিকলগী য়েৎথংবা কাদুপকী অহানবা পেরাগ্রাফকী অনীশুবা পরেংগী অরোইবদা ‘মসি’ হায়খিবদু **‘মমি’** হায়গদবনি। অদুগা ১১২শুবদনা ওইথংবগী ৭শুবা পেরাগ্রাফকী ৫শুবা পরেংদা ‘ইন্দিয়ানা শীজিন্নদৌবা’ হায়খিবদু ‘ইন্দিয়ানা **শীজিন্নহৌবা**’ অদুগা য়েৎ থংবগী ৩শুবা পেরাগ্রাফকী ৭শুবা পরেংদা ‘এফিদেভিট অমা তৌরগা ‘থিংদুনা’ হায়খিবদু **‘মিংদুদা’** হায়গদবনি। ওন্নখিবশিংসিগীদমক পাবিরিবশিংনা ঙাকপীগনি।

- **প্রুফ রিদর**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।